# টেরোরিষ্ট খূৎপু অমা কাশ্মীরদা চঙশিনখ্রে দিল্লিদা মীকুপ–নাহুম শীংনা লৈনবা খঙহনখ্রে



***শ্রীনাগর, জুন ১ ঃ***

টেরোরিষ্ট খূৎপু অমা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চঙশিনখ্রে অমসুং মখোয়না তম্পাক অসিদা অচৌবা এটেকশিং চত্থনবা থৌরাং তৌরম্বা য়াই অমসুং মখা তাবা এটেক চত্থনবা দিল্লিদসু হায়জিল্লকপা য়াই হায়না সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা মরী লৈনবশিংদা পীবা এলার্ট অমদা কাশ্মীরগী তম্পাক্তা লৈরিবা কাউন্টর–ইন্টিলিজেন্স গ্রীদপু চেকশিন্না মীকুপ–নাহুম শীংনা লৈনবা খঙহনখ্রে অমসুং দিল্লি অমসুং নেস্নেল কেপিটেল রিজন (এন সি আর) বুসু এলার্টতা লৈনবা খঙহনখ্রে।

ইন্টিলিজেন্সনা ফংবা পাউগী মতূং ইন্না টেরোরিষ্টশিং অদুনা লাইন ওফ কন্ত্রোলগী পির পনজাল মাউন্টেনশিংদগী ইন্দিয়ারোমদা লোন্না চঙশিল্লকপনি হায়রি।

লোন্না চঙশিল্লক্লিবা টেরোরিষ্টশিং অদু খূৎপু মচা মচা খায়দোকই অমসুং য়াম্না নীংথিজনা ত্রেনিং তৌরবা অমসুং মতিক চাবা খূৎশু খূৎলাই পায়বনি হায়না থাজে।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সেনিয়ার ওফিসার অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকপদা মথং নুমিৎ নীনি–হুম্নিগীদমক ষ্টেট পূম্বা এলার্টতা থমখ্রে হায়খি।

ইন্টিলিজেন্স ইনপ্রুপশিংগী মতূং ইন্না জাইস–ই–মোহম্মদ টেরোরিষ্টশিংনা রামজানগী ১৭ নি শুবা নুমিৎ অমসুং কুমজা ৬২৪ মার্চতা থোকখিবা ইস্লামগী অহানবা লানফম (বেট্টল ওফ বাদর) গী চহীগী কুমওন হয়েং থাংজ নুমিত্তা অচৌবা এটেকশিং চত্থনবা থৌরাং তৌরম্বা য়াই হায়রি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীর ষ্টেটকী মফম কয়াদা লৈরিবা অরুবা ইন্সটোলেসনশিংগী অকোয়বদা অমসুং দিল্লিদা য়াম্না মীকুপ নাহুম শীংনা অমসুং চেকশিন্না লৈনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা খঙহনখ্রে হায়না সেনিয়ার হোম মিনিষ্ট্রি ওফিসার অমনা হায়খি।

ঙসি অয়ূক খা থংবা কাশ্মীরগী পুলৱামাদা চৎলিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং তোংলিবা গারী অমদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক তৌরকখি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুনা ইম্প্রোভাইস এক্সপ্রোসিফ দিভাইসশিংনি চীংনবা বেগ অহুম মফমদুদগী রিকোভর তৌখি। হৌখিবা চহীদসু বাদরগী চহীগী থৌরম নুমিত্তা কাশ্মীরদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক কয়ামরুম চত্থরকখি। মতমদুগী এটেকশিং অদু জে ই এম হায়বা টেরর গ্রুপ অদুনা চত্থবনি হায়না মখোয় মশানা ফোঙদোকচরকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা রামজানগী নুমিৎ ৩০ নিগী মতম সেন্টরনা সিজফাইয়ার লাওথোকখি। অদুবু মদুনা থোইনা কান্নখিদে। চয়োলসিগী অঙনবদা সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা আর্মিগী মাইন–প্রুফ ভেহিকল অমদা টেরোরিষ্টশিংনা বোম এটেক তৌরকপদা লান্মী অহুম শোকখি। পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী কাকপোরাদা লৈবা আর্মি কেম্পতা টেরোরিষ্টশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা এটেক তৌরক্তুনা লান্মী অমা হাৎখি। ঙমখৈ লান্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীচম অমা শিখি। মুস্লিমশিংগী অশেংবা থা রামজান মনুংদা গভর্ণমেন্টনা নাকল নাম্মতগী ওইনা সিজফাইয়ার লাওথোকখ্রবগী মতূংদা কাশ্মীরদা আর্মিগী মথক্তা চত্থবা এটেকশিংগী মনুংদা মসিনা খ্বাইদগী চাওবা এটেকনি। ঐখোয়নসু ওপরেসন লেপ্লে হায়খিবগী মতূংদা হার্দকোর টেরোরিষ্ট ১৩–১৪ হাৎখ্রে। মরম অদুনা ঐখোয়না ওপরেসন লেপ্তে হায়না ওফিসার অমনা হায়খি।

## ইন্দিয়ান মুজাহিদীন ৫ লাইফ ইম্প্রিজন্মেন্ট পীখ্রে

***পাটনা, জুন ১ ঃ***

বোধ গয়াদা কুমজা ২০১৩ দা বোমগী এটেক চত্থখিবগী কেসতা নেস্নেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিগী অখন্নবা কোর্ট অমনা কনভিক্সন পীখ্রবা ইন্দিয়ান মুজাহিদীন টেরোরিষ্ট ৫ বু ঙসি পুন্সি চূপ্না জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রে।

স্পিসিয়েল এন আই এ জজ মনোজকুমার সিনহানা ইমতিয়াস অনসারি, হায়দর আলি, মুজিব উল্লাহ, ওমাইর সিদ্দিকি অমসুং অজারুদিন কুরেসি হায়রিবা মে ২৫ দা কনভিক্সন পীখ্রবা এক্যুইজ ৫ অসিদা জেলগী চৈরাক অদু পীখিবনি।

কুমজা ২০১৩ গী জুলাই ৭ তা বুদ্ধিষ্ট লাই খুরুম্বা লাকপশিংগীদমক মমিং চৎলবা টাউন বোধ গয়াদা বোম কয়ামরুম মথং মথং পোকখাইহল্লকখিবনি। মদুদা কনাগুম্বা অমত্তা শিদ্রবসু লম্বোইবা খরা য়াওনা মীওই কয়া শোকখি।

কনভিক ৫ অসিদা নত্তনা তাওফিক অহম্মদ কৌবা অতোপ্পা এক্যুজ অমসু হৌখিবা চহী ওক্টোবর থাদা জুবেনাইলগী কোর্ট অমনা কেস অদুদা মরাল লৈরে হায়বা খঙখি অমসুং মহাকপু চহী ৩ জুবেনাইলগী হোলদা রিমান্দ তৌখি।

মখোয় ৬ অসি লোয়নমক কুমজা ২০১৩ দা থোকখিবা পাটনা ব্লাষ্ট কেসতসু অতৈ এক্যুজ খরগা লোয়ননা ৱায়েল মায়োক্নরি।

মতম অদুদা গুজরাট চীফ মিনিষ্টর ওইবা অদুগা হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিগী অচৌবা ইলেক্সন রেলি অমদা বোম কয়া মথং মথং পোকখাইদুনা এটেক তৌরকখিবদা মীওই ৬ শিখি অমসুং অতোপ্পা মীওই ৮৯ শোকখি।

## নিপাহ ভাইরসনা শিখিবা মীশীং ১৬ য়ৌখ্রে কোজিকোদতা হায় এলার্টতা লৈনখ্রে



***কোজিকোদ, জুন ১ ঃ***

কেরলাগী কোজিকোদতা হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা মীওই অনী অমগা শিখিবগা লোয়ননা নিপাহ ভাইরসতগী পূন্না শিখিবা অসি হৌজিক ১৬ য়ৌখ্রে।

কেরলাগী হোম মিনিষ্টর কে কে সৈলাজানা লায়না অসি অনীরকশুবা ওইনা অমুক্কসু শন্দোরক্লম্বা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে। ঐখোয় য়াম্নমক চেকশিনবা তাই। চেকশিন থৌরাং ওইনা তৌবা য়াবা খোঙথাং পূম্নমক লৌখৎকদবনি হায়না ঙসি মহাক্না হায়খি।

হেক হৌরকপা মত্তদা অনীরকশুবা ওইনা লায়না অসি শন্দোক্লককপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না ঐখোয়না খঙলে। খুদোংথিনিঙাই ওইরিবসি লায়না অসিনা নারবা মীওইশিংগা শম্নবশিং অদুনি। অসিগুম্বা মীওই পূম্নমক কূপ্না য়েংশিনগদবনি। মমাঙগী অনাবশিংদা হকথেংননা শম্নরুবা মীওই পূম্নমক অদু কোজিকোদতা হাংদোক্লিবা স্পিসিয়েল কন্ত্রোল রুমদা চৎকদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা অনাবা অনী শিখিবা হোস্পিটাল অদুগী নর্সশিং অমসুং ডাক্তর মরি য়াওনা ষ্টাফ পূম্নমক চেকশিন থৌরাং ওইনা চয়োল অমা ছুটিদা লৈনবা খঙহনখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক্লি।

অদুম ওইনমক আউট–পেসেন্ট দিপার্টমেন্টতি থবক তৌখিগনি। কোজিকোদ মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালদা মে ৫ অমসুং মে ১৪ দা কেজুয়েল্টি, সি টি স্কেন অমসুং ৱেটিং রুমশিংদা লৈখিবা মীওইশিং অমসুং বালুসেরি তালুক হোস্পিটালদা মে ১৮ অমসুং মে ১৯ লৈখিবা মীওইশিং য়ারিবমখৈ থুনা ষ্টেট নিপাহ সেলদা লাক্নবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা নোটিশ থোকখ্রে।

ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা তমথিবা ভাইরস অসিনা নাবা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা পূন্না শিখিবা মশীং ১৬ শুরে। খ্বাইদগী কোন্না শিখিবা মীওই অদু নদুভানুর নেটিভকী রাসিন কৌই। মসিগী মমাঙ য়ূমশকৈশা নুমিত্তসু দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট সেনিয়ার সুপরিন্টেন্দেন্ট মধুসুদন (৫৫) লায়না অসিদগী শিখি। শিখিবগী মশীং ১৭ ওইরবসু নিপাহ ভাইরসনা থোকহনবনি হায়না চপ চানা খঙবদি ১৬ খক্তনি। লায়না অসি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রিঙৈগী মমাঙদা নারবা মীওইশিং অদুগা শম্নখিবা মীওই ১,৩৫৩ হৌজিক ওবজার্ভেসন তৌদুনা থম্লি হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

নাকল অমরোমদা লায়না অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা মসিগীদমক মীপাইনিংঙাই লৈতে। মসি মফম খুদিংগী ওইবনি হায়না হেল্থ এদভাইজরি অমা থোকখ্রে হায়রি।

## ফার্মরশিংনা নুমিৎ ১০ নিগী প্রোটেষ্ট হৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ১ ঃ***

পঞ্জাব, হরিয়ানা, রাজস্থান অমসুং মধ্যপ্রদেশ য়াওনা ষ্টেট ৭ তা ফার্মরশিংনা নুমিৎ ১০ নিগী প্রোটেষ্ট চঙশিনবা হৌখ্রে।

গাও বন্দ হায়বা ফার্মরশিংগী দেমোন্সট্রেসন অসি লোনশিং পূল্লপ কোক্লবা, মখোয়গী পোথোক্কীদমক মিনিমম সপ্পোর্ট প্রাইজ পীনবা অমসুং পার্মেনেন্ট ইনকম পীনবা এন্সুরেন্স অমা গভর্ণমেন্টতা দিমান্দ তৌদুনা পাঙথোকপনি।

প্রোটেষ্টশিং অসিবু লুচিংলিবা ফার্মর ওর্গনাইজেসন ১৩০ গী ফেদরেসন অমা ওইরিবা রাষ্ট্রিয়া কিসান মহাসঙ্গ (আর কে এম) না ফোঙদোকপদা মথংগী নুমিৎ ১০ নি সিটিশিংদা ফার্মরশিংনা মনা–মশীংগী অমসুং শঙ্গোমগী পোত্থোক অমত্তা পীরোই হায়বসি অশেংবনি হায়খি। খোঙজং অসিদা ফার্মরশিংনা লম্বীদা অপনবা অমত্তা পীরোই অদুবু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মরু ওইবা অচৌবা হায়ৱে ৩০ গী পরীংদা ধরনা ফমগনি হায়না ফেদরেসন অসিনা হায়খি।

প্রোটেষ্ট চত্থরিবা ষ্টেট ৭ অদুদি হরিয়ানা, রাজস্থান, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, মধ্যপ্রদেশ, মহারাষ্ট্র, কর্নটাকা অমসুং কেরলানি। ফার্মরশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিংদি স্বামিনাথন কম্মিসনগী রিকোমেন্দসন থবক ওইনা পাঙথোকপা গভর্ণমেন্টনা ফার্মরশিংদগী লৌরিবা শঙ্গোমগী মমল লুপা ২৭ তা লেপ্পা অমসুং ৱান–টাইমগী ওইনা লোন কোকপা অসিনি।

প্রোটেষ্ট অসি ঐখোয়না গাও বন্দ হায়না মমিং থোল্লি। সিটিদা লৈরিবা মীওইশিংগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকহনবা পামদবনা ঐখোয়না সিটিশিংদা চৎলোই। জুন ১০ দা নুংথিল পূং ২ ফাওবা ভারত বন্দ অমা কৌনবা ঐখোয়না ৱারেপ লৌরে। সিটিশিংদা লৈরিবা ললোন–ঈতিক তৌরিবা মীওইশিংদা মখোয়গী দুকানশিং নুংথিল পূং ২ ফাওবা থিংজিন্দুনা থম্নবা ঐখোয়না হায়জগনি হায়না রাষ্ট্রিয়া কিসান মহাসঙ্গগী প্রসিদেন্ট সিব কুমার শর্ম্মনা হায়খি।

করিগুম্বা কনাগুম্বনা মনা–মশীং অমসুং শঙ্গোমগী পোত্থোকশিং লৈবা পাম্লবদি মখোয়না খুঙ্গংশিং তান্না লাক্কদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

প্রোটেষ্ট অসিনা মধ্য প্রদেশতা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা ফার্মর ৭ শিখিবগী অহানবা চহীগী থৌরমসু পাঙথোক্লি। থৌদাক অদু মধ্য প্রদেশকী মন্দসৌরদা হৌখিবা চহীগী জুন ৬ তা থোকখিবনি। ফার্মরশিংগী ফংফম থোকপা দিমান্দশিংগী পাউখুমদা গভর্ণমেন্টনা লাথি অমসুং নোংমৈ মরুশিং পীরকখিবনি হায়রি।

# ন্যুক্লিয়ার সম্মিট ওইথোকপগী ফিভম লাকপগা লোয়ননা ট্রম্পনা কিম জোং উন গী চিঠি লৌশিল্লগনি



***ন্যু য়োর্ক, জুন ১ ঃ***

ইতিহাসিক ওইরবা ন্যুক্লিয়ার সম্মিট অমগী থৌরাংশিং তৌদুনা সম্মিট অসি ওইথোকপগী ফিভম লাকপগা লোয়ননা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ঙসি মহাক্না ফম মান্নবা নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং উন দগী থারকপা চিঠি অমা লৌশিল্লগনি।

নোর্থ কোরিয়া লুচিংবা কিমগী য়েৎ থংবা পাম্বোম ওইরিবা কিম য়োং চোল না য়ু এস কী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওগা ন্যু য়োর্কতা ৱারী শান্নখ্রবগী নোংমগী মতূংদা ঙসি ৱাসিংটনদা লাকখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসি পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরিবা জুন ১২ গী সমিট অদু তশেংনমক খুমাঙ চাওশিল্লক্লে হায়না য়ু এস দিপ্লোমেট অদুনা হায়খি।

মরকসিদা নোর্থ কোরিয়াগী কোনুং পিওংয়াংলোমদা লৈবাক অসিগী লুচিংবা অদুনা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইগী প্রোগ্রাম থাদোক্লগনি হায়না অমুক্কা হন্না ফিরেপ লৌখ্রে। ফিরেপ অসিনা দিপ্লোমেটিক্কী অচৌবা মায়োন অমা হোংলকপগী আশা উরি।

অদুম ওইনমক সেক্যুরিটি গরেন্টিশিং অমসুং সেঙ্কসনস রিলিফকীদমক নোর্থ কোরিয়াগী দিন্যুক্লিয়ারাইজেসন অসি ময়েক য়াম্না শেংগদবা ৱাৎলি। নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম অসি মপূং ফানা অমসুং ভেরিফাই তৌবা য়াবা লোয়ননা অমুক হন্না চত্থররোইদবা মওংদা লোয়শিন্নবা ৱাসিংটনগী দিমান্দ অদুগা নোর্থ কোরিয়ানা তৌরিবা অসিগা চান্নগদ্রা হায়বা খঙদ্রি।

চিনানা মতূংলোমদগী শৌগৎলগা নোর্থ কোরিয়ানা ৱাসিংটনদা মখোয়গী মিলিটরি সাউথ কোরিয়াদা লৈরিবসি মশীং হন্থহন্নবা অমসুং জপানদা পীরিবা গরেন্টিশিং কোমথোকহন্নবা দিমান্দ তৌরকপা য়াই হায়না এক্সপার্ট ওবজার্ভর কয়ানা ফোঙদোক্লি।

অদুবু য়ু এস কী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট পোম্পিওনা থবক পূম্নমক অচুম্বা মায়কৈরোমদা চঙশিল্লি হায়খি। ঐখোয়না করিগুম্বা পুন্সিদা অমুক্তং ফংবা খুদোংচাবা অসি লৌহৌনবগীদমক চিয়ার্মেন কিম জোং উন দগী মথৌনা লৈবা লীদরসিপ অমা চঙই হায়না ফোঙদোকখি।

চহী ১৮ গী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা চৎপদা পিওংয়াংদগী খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা ওফিসিয়েল কিম য়োং চোলনা মহাক্কী নহা ওইরিবা লীদরদগী চিঠি অমা লাংতক্লনা ঙায়রিবা ট্রম্পতা পীরবা য়াই। অদুবু পোম্পিওনদি মসিগী মেসেজ অসি খক্তনা সম্মিট অসিগী লম্বীদা লৈরিবা হীরম খুদিংমক ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই হায়না ৱার্নিং তৌরি। মসিগী মমাঙদা ৱাসিংটনদা দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবদা চিঠি অদু পানবা মহাক্না খৌরাংনা ঙাইরি হায়খি।

## ইন্দিয়া অমসুং সিঙ্গাপোরনা ইকোনোমিক অমসুং দিফেন্সকী মরী চেৎশিনহন্নবা য়ান্নখ্রে

***সিঙ্গাপোর, জুন ১ ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্না ফম মান্নবা সিঙ্গাপোরগী লী হসিয়েন লূং না লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনবা ইকোনোমিক্কী মরী অসি হেন্না চেৎশিনহন্নবা অমসুং দিফেন্সকী লমদা তেংবাংননবা ঙসি য়ানখ্রে।

লুচিংবা অনীনা পব্লিক সার্ভিস ওফিসারশিংগী ত্রেনিং অমা সাইবর সেক্যুরিটি নার্কোটিক্স কন্ত্রোল অমসুং লৈঙাক অনীগী নেভিশিংগী মরক্তা তেংবাংনবা য়াওনা হীরম কয়ামুক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর্ষ্টেন্দিংশিং খূৎশিন্নবা য়েংখি।

মোদি অমসুং লী না রিজনেলগী ওইবা অমসুং মালেমগী ওইবা শীংনবশিংগী মতাংদা মখোয় মখোয়গী মোতশিং ফোঙদোক্লখি অমসুং মেরিটাইম সেক্যুরিটিদা মখোয়না লেপ্লিবা ফিরেপ অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহনখি।

সিঙ্গাপোরগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা দিফেন্সকী মরীশিং হেন্না কনখৎহল্লে, ঐখোয়গী নেভিশিংনা লোজিষ্টিক কো–ওপরেসনগী মতাংদা ঙসি এগ্রিমেন্ট অমা সহি তৌনখ্রে অমসুং চহী অসিদা সিঙ্গাপোর–ইন্দিয়া মেরিটাইম চহীগী পাঙথোকপা এক্সর্সাইস অদুগী ২৫ শুবা চহীগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি হায়খি।

নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অহুমগী খোঙচৎকী অরোয়বা ওইনা ঙরাং সিঙ্গাপোরদা থুংলখিবনি। মহাকপু গার্দ ওফ ওর্নর অমা পীখিবা ইষ্টানাদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমগী মতূংদা সিঙ্গাপোরগী প্রসিদেন্ট হলিমহা য়াকোবপু হৌনবী মতূং ইন্না উন্নখি। সিঙ্গাপোরগী প্রসিদেন্সিয়েল পেলেস ইষ্টানাদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা থুংলবদা মহাকপু সেরিমোনিয়েল ৱেল কম অমা পীখি হায়না ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী ৱাঙাংলোয় রভিস কুমারনা হায়খি।

সিঙ্গাপোর খোঙচৎ অসিগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দোনেসিয়া অমসুং মালেসিয়াদা চৎখ্রে। মদুগী মতূংদা সিঙ্গাপোরদা লাকখিবনি হায়রি।

## নাসিরুল মুল্ক পি এম ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

***ইস্লামাবাদ, জুন ১ ঃ***

পাকিস্থান্দা জুলাই থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইন্না ফোর্মেল ওইনা নেস্নেল এসেমব্লি মুখৎখ্রবগী পূং খরগী তুংদা ঙসি ইৱাই নুমিত্ত ইস্লামাবাদতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রিটায়ার্দ জষ্টিস নাসিরুল মুল্কপু পাকিস্থানগী ক্যারটেকর প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিসন অনীমক্না ফম অদুগীদমক মোত অমত্তা ওইনা নোমিনেট তৌরকখিবা মুল্কপু প্রসিদেন্ট মামনুন হুসেলনা ৱাশক লৌখি। রিটায়ার্দ জজ অসিবু ফম অসিদা হাপখিবা অসি কনাগুম্বা অমত্তনা য়েৎপা ঙল্লরোইদবা অমনি হায়না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকান অব্বাসিনা হায়খি হায়না দোন পাউ চে গী রিপোর্টনা হায়রি।

নেস্নেল এসেমব্লি অহুমনা হৌখিবা চহী ১৬ তা প্রাইম মিনিষ্টর তরেৎ খনখি। জেনরেল পর্ভেস মুসারবনা ইমর্জেন্সি থমজিনখিবা নভেম্বর ৩, ২০০৭ তা রিষ্ট্রেনিং ওর্দর অমা শোয় তৌখিবা জজ তরেৎকী মনুংদা জষ্টিস মুল্কসু অমনি।




## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 11/04/18
Valid : 07/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 15/04/18
Valid : 03/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 28/04/18
Valid : 23/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 07/05/18
Valid : 03/05/18
Stk : 576
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Lamshang Gas**
Booking : 02/05/18
Valid : 26/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 18/04/18
Valid : 07/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 27/04/18
Valid : 24/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 09/05/18
Valid : 29/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Mahalashmi Indane**
Booking : 24/04/18
Sl. No. 216225
Valid : 19/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Canchi Service Indane**
Booking : 03/05/18
Valid : 29/04/18
Stk : 612/19kg 40
Rate : Rs. 811.50/-
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 02/06/18
Valid : 01/06/18
Stk : 200
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 26/04/18
Valid : 23/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 20/04/18
Valid : 11/04/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 29/05/18
Valid : 24/05/18
Stk : 306/19 kg Available
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 27/04/18
Valid : 23/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 08/05/18
Valid : 05/05/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**সনা–সুদোকু –১১৮৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 8 | 9 | 2 | 7 | 4 | 1 | 3 | 6 |
| 4 | 3 | 6 | 8 | 1 | 9 | 7 | 2 | 5 |
| 1 | 7 | 2 | 5 | 3 | 6 | 4 | 9 | 8 |
| 6 | 1 | 3 | 7 | 4 | 8 | 2 | 5 | 9 |
| 8 | 2 | 4 | 3 | 9 | 5 | 6 | 7 | 1 |
| 9 | 5 | 7 | 1 | 6 | 2 | 8 | 4 | 3 |
| 3 | 4 | 5 | 6 | 2 | 1 | 9 | 8 | 7 |
| 7 | 9 | 1 | 4 | 8 | 3 | 5 | 6 | 2 |
| 2 | 6 | 8 | 9 | 5 | 7 | 3 | 1 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1185**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 7 | | 2 | | | | |
| 9 | 3 | | | 6 | | | | |
| | | | 3 | 5 | | | 1 | |
| 8 | 7 | | | | | | 5 | |
| 1 | | | 6 | 7 | 3 | | 8 | 2 |
| | | | | | 4 | | | |
| | | | 1 | | 6 | | | 3 |
| 7 | | | 8 | | | | | 4 |
| 5 | | 1 | | | | | | |